# টি ঐচ বৃন্দানা ভোট কারবদি -২

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

টি ঐচ বৃন্দানা মীখলদা মায় পাক্লবদি য়াইস্কুল এ সীগী মীয়াম্বু মণিপুরগী কাচিন কোয়া খুদিংমক্তগী য়াম্না লাইরিক লাইসু হৈবা, খঙবা তমদি ৱাখল তাবা ইরৈচাশিংনি হায়না য়াম্না থাগৎনরক্কনি। অদুগা করিগুম্বা মীখল অসিদা মহাক্না মায়থীবা থোক্লবদি মণিপুরগী কাচিন কোয়া খুদিংমক্তগী শোয়দ্রে থীনা থীনা ফোংনা নৎত্রগা তূমিন্না চৈনরকপা য়াইস্কুল এ সীগী নহারোলশিংবু, মমা ওইবীশিংবু লোয়ননা মপা ওইবা কয়াবুসু। মসিগী মথক্তা, মহাক্কুম্বা মরমদম্বু তশেংনা নুংশিবা মথৌ শেংনা তৌরক্কদবা মীয়াম্নসু অতাঙবী মমোমলোই অমনি হায়না খন্নরিবা (হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি মীয়াম্না অসুম্না উনরি, তুংদা করি ওইরকপা হায়বদুদি তম্বা ঙমদ্রে) বৃন্দানা মীখল অসিদা মায়থীবা হায়বসি মীখলগী চৎনবী পথাপ ইন্দুনা চৎত্রে, নমথাক তৌদুনা ভোট কাহনখ্রে হায়না লৌবা য়ারে।

লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী মীখল অসিদা বৃন্দাবু নমথনবা লাল্লোং কয়া চত্থরকপা য়াই, মরু ওইনা হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থাদোরকপা মীরেপকী মায়কৈদগী। মদুবু থেংননবা য়াম্না চেকশিন্না শেন্নবীবা মথৌ তাগনি, মরু ওইনা মীয়াম্না মখোয় মখোয়না থাদনীংবা মীরেপ্তুদা ভোট পীবা ঙম্নবা ট্রান্সপরেন্সি থম্নবা হোৎনগদবনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদদি নম্ফুদা ভোট থাদহনবা, ভোটর মশামক য়াওদনা ভোট থাদবগী চৎনবীসু লৈবনিনা অসিগুম্বসি থোকহন্দনবা বৃন্দাবু শৌগৎপীরিবা ইচিন ইনাওশিংনা য়াম্না মীৎ-না শীংনা লৈগদবনি।

শেল চাউনা য়েনবগী চৎনবী অদুমদি পীরবনিনা লৌদবদি মীওই অয়াম্বনা ঙমখিরোই ইরমদমগী ইমুং মনুং অয়াম্বনা শেল-থুমগী ফীভম অসি ফত্তবনা। তৌইগুম্বসুং হান্না খন্নরম্বা ৱাখল্লোন, হায়বদি শেল লৌরুরবনিনা শেল পীরিবা কেন্দিদেট অদুদা ভোট পীদ্রবদি পাপ চেনগনি, অরানবা তৌবনি হায়বগী ৱাখলদুমা থাদোকপীরো, মরমদি মখোয়না চাইথোক্লিবা শেলয়ামদো ফত্তবা পান্বে শীজিন্নদুনা মীয়ামদগী চুপখিবা শেল ঙাক্তনি। মরম অসিনা শেল য়েল্লকপদু লৌথোকপীয়ু তৌবতবু শেল য়েনবদি ঙমজদবা অদুগা অফবা লুচিংবা ওইরক্কদবা টি ঐচ বৃন্দাগুম্বা মীশক্তা ভোট পীবিয়ু।

লাক্লিবা ২০২২গী মীখল অসিগীদমক হৌরে পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লকপা। হৌরকপদা ঙাইরি। মসিগী মথক্তা ঐখোয়না খ্বাইদগী হেন্না পামদ্রিবদি মীখলদা অরানবা লম্বী শীজিন্নদুনা মীয়াম্না পামজবা লুচিংবা খনবা ঙমজদবা অদুনি। পামদবা থৌওংশিং অসি থোকহল্লোইসি অমদি ঐখোয় মীচম মীয়াম্না পামজবা অফবা লুচিংবা ওইরক্কদবা মীরেপশিং মীখলদা মায় পাকহনসি হায়রবদি ঐখোয় মীচম মীয়ামগী খূত্তা লৈহনগদবনি। মসিমক য়াইস্কুল এ সীগী মীচম মীয়ামগী খূৎতসু লৈরে। লোয়ননা মীখল চুম্না পাঙথোক্লবা য়াইস্কুল এ সীগী মীচম মীয়াম্না ঙাক শেন্দুনা মীৎ-না শীংনা লৈবা য়াম্না মথৌ তাই, লোয়ননা মীদিয়া পর্সনশিংদা মীখলগী লাইভ টেলিকাষ্ট থাদোক্তুনা য়াম্না ট্রান্সপরেন্ট ওইনা মীখল পাঙথোক্লবা হোৎনবীগদবনি। মীখলদা ট্রান্সপরেন্সি লৈত্রবা, মসল অমদি গন পৱার শীজিন্নবা য়াহল্লবা, টি ঐচ বৃন্দা শোয়দনা মায়থীবা নংগনি হায়বসিমা য়াইস্কুল এ সীগী ইরৈচাশিংনা কাউফদে।

হৌজিক হৌজিকসু টি ঐচ বৃন্দাগী মতিক ময়াই অসি উবদগী কিদুনা মহাক্না তৌরকপা থবক খুদিংমক্তা অয়েৎপা, অকায়বা পীদুনতা লাক্লি। মসিমক ওইদুনসু য়াইস্কুল এ সীগী মীয়াম্না শৌগৎলবদি, ৱাখল তারবদি অয়েৎপা খুদিংমক খোংনেৎফম ওইনা শীজিন্নদুনা মায় পাকপা ঙমগনি। অহোংবা পুরকপা হায়বসি মীরেপশিং খক্তনা হোংবা ঙম্লোই। ঐখোয় মীয়াম্না হান্না ৱাখল হোংবা, ৱাখল তাবা মথৌ তাই। হন্দক্কী মীখলসিদা বৃন্দানা মায় পাক্লবদি ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদা অহোংবা পুরকপগী খোঙচৎ অমদি শোয়দনা হৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ লোয়ননা নুপী খুন্নাইগী শক্তমদা অচৌবা অহোংবা অমসু পুরক্কনি খল্লি, মরু ওইনা খুন্নাই অসিগী সোসল অমদি পোলিটিকেল সিনারিওদা। খুন্নাই অমা চাওখৎহনবা হায়বসি নুপা খক্তনা পাল্লগা চাওখৎপা য়ারোই। ইমুং অমা পানবদা নুপীগী মথৌ তাবগুম লৈবাক অমা শেমগৎ শাগৎপদা নুপীশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়বসি মালেমগী লৈবাক কয়াদা উবা ঙম্লবনি। মরম অসিনা নুপীবুসু চিংখৎপীবা য়াম্না মথৌ তাই। নুপীশিংবু নমথদুনা থন্বা অসিসু চাওখৎপা ঙমদবদগী মরম অমনি লৈবাক কয়াদা। য়াম্না থুনা চাওখৎলক্লিবা, সুপর পৱার ওইগদৌরিবা চাইনাদা নুপীনা চাদা ২৫গী মথক্তা লৈঙাকপগী থৌদাং লৌরি। ইন্দিয়াগী লৈঙাক্তদি চাদা ১০গী মখাদা লৈরি ঙসিসু। ইরমদম মণিপুরদদি নুপীদি চাদা ১ ফাওবা য়াওদ্রে লৈঙাকপদা। এম এল এ মেমচা কিপগেন য়াওরম্বা অদুসু ঙন্তানা লৌথোকপীখ্রে। মেমচা কিপগেনবু লৌথোকপীখিবা অদুনসু ময়েক শেংনা উৎলি মদুদি ইরমদমগী লৈঙাকলোন্দা নুপীগী মফম পীবিদে হায়বদো। নুপীগী মীরেপ মশীং হেন্না পুথোক্লবা টি ঐচ বৃন্দাবু শৌগৎপীবা, কাহনবা য়াম্না মথৌ তারি।

নহা ওইরিবা মীরেপশিংনা মীখল য়াওদুনা লুচিংবা ওইরকপা হায়বসি মালেমগী লৈবাক কয়াদা উরবনি। মরম অসিনা ঐহাক্না কুমজা ২০১৮দা ইরমদমদা কোয়রকপদা দাইনামিক মণিপুরনা শিনবা নহারোলগী ওইবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙবদা নহারোলনা পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিনবগী তঙাইফদবা অসিগী মরমদা ঙাঙজখিবা লোয়ননা ঐহাক্কী আর্টিকল ওইনসু পাউচে অসিগী কলমদা ফোঙদোকখ্রবনি। মমাঙঙৈদা পোলিটিসিয়নশিংনা মখোয়না তৌনীংবা তৌবা য়ানবা হায়দুনা মহৈরোয়শিংদা, নহারোলশিংদা পোলিটিক্সতা য়াওশিল্লুনু হায়না হেক হেক হায়বদু ঙসিগী নহারোলশিংনা তারুবগী মথৌ তাদে খঙলকপদগী নহা ওইরিবা, মহৈ মশীন হৈরবা মীওই কয়া পোলিটিক্সতা খোঙদারবনি মালেম শিনবা থুংনা। অদুম ওইনমক ইন্দিয়াদা অমদি ইরমদম মণিপুরদদি শেঞ্জা থুমজানা ঈ-তোং চুপনা লাইচুখ্রবা অহল ওইরবা পোলিটিসিয়নশিংনা অয়াম্বা লৈঙাক্কী থৌ পুরি। মখোয়শিং অসিগী মরক্তা লোল-লি থোক্তবা, লো খঙদবা, লৈঙাকলোন খঙদবা মীওই, মরমদমগী করিসু খন্দবা লুচিংবা শাশিন্নবা কয়া অমা য়াওরি। অসিগুম্বা শাশিন্নবা, শুম চারবা লুচিংবা কয়া অসিদি বৃন্দাগুম্বা নহা ওইরিবা মরমদম্বু তশেংনা নুংশিজবা মীওইশিংনা মহুৎ শিন্দোক্কদবনি।

শেল অমত্তা পীদবীদা য়াম্না চুম্বা মওংদা মীখলদা শরুক য়াবসিদা কারবদি মসিনা অচৌবা অহোংবা অমদি শোয়দনা পুরকপসু ঙমগনি ইরমদমদা। খোঙথাং অসিমক মায় পাকহনসি হায়বসিসু মীচম মীয়াম ঐখোয়গী খূত্তা লৈরে।

লোইশিল্লকপদা, খুন্নাই অমা শেমগৎপা হায়বসি অশেংবা, অফবা লুচিংবা লৈবা য়াম্না মথৌ তাই। অদুবু মীচম মীয়াম ঐখোয়না ৱাখল তাদ্রবদি অশেংবা, অফবা লুচিংবা খনবা ওইথোক্তবনি। লাক্লিবা ২০২২গী মীখলসিদা করিগুম্বা টি ঐচ বৃন্দানা মীখলদা মায় পাক্লবদি য়াইস্কুল এ সীগী মীয়াম্বু মণিপুরগী কাচিন কোয়া খুদিংমক্তগী থাগৎনরকপদা নত্তনা ইরমদম কংলৈবাক/মণিপুরদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপগী খোঙচৎ অমা শোয়দনা হৌবা ঙমগনি হায়না থমজগে। অদুবু করিগুম্বা টি ঐচ বৃন্দানা মায়থীবা থোক্লবদি ইরমদম কংলৈপাক য়াম্না কুইনা তূমদুনা লৈখিদুনা মীকপ থোকপদদি ইরমদম অসি মীতোপকী ওইনা লৈরম্বসু য়াই হায়না থমজগে। ঐখোয় ৱাখল তামিন্নসি। ●

# চত্থরক্লিবা পুন্সি খোঙচৎতা (ওষ্ট্রেলিয়াদা থুংলুবা)

- ডা. এম নরা -

কুমজা ১৯৯৫গী মে থাদনি ঐগী অহানবা ওষ্ট্রেলিয়াদা থুংলুবা খোঙচৎ। মসিদি ঐহাক্কী শিনফমগা মরী লৈনবা এসিয়ান হোমিওপেথিক কনফরেন্স অমনি। লৈবাক অসিগী ফজরবা ব্রিসবেন সহরদনি। কনফরেন্স অসি শিনখিবা বিজ্ঞানগী অনৌবা মায়ওন অমদসু লাক্লবা হোৎনখি। মদুদি কনফরেন্স অসিগী ওর্গনাইজর ডাক্টর লৱারেন্সনা থমখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না ব্রিসবেন সহর অসিদা ইন্টরেষ্ট লৈজবা এলোপেথিক্কী ডাক্টরশিংনা চহী অমগী অতেনবা হোমিওপেথিক্কী কোর্স য়াওরগা প্রেক্টিস তৌবা য়ানবা পোষ্ট গ্রেজুএট দিপ্লোমা ইন্সটিট্যুট লিংখৎনবা প্লান তৌরমই। কনফরেন্স লোইরবা মতুংদা ব্রিসবেনগী ফজরবা মফমশিং মরু ওইনা মমিং লৈরবা গোল্ড কোষ্ট, সমুদ্র খোংবান্নচিংবা টুরিষ্ট সেন্টর কয়া য়েংলবা মতুংদা মেলবোর্ন সহরদা নুমিৎ নীনিগী টুর অমা চৎখি। 'মেলবোর্ন লৈবদা খ্বাইদগী নুংঙাইবা সহর অমনি' হায়নবা লৈ। মসিমক অচুম্বা ৱাফম ওইরমগদবা মাল্লি হায়জনীংই। মরমদি সহরসি য়াম্না নানবতা নত্তনা শান্তি লৈবা অমসুং য়াম্না চাওখৎপগী ৱাখল অমদি থবক খূৎতৌ ময়েক শেংনা উবা ফংই। ইশাদা কি হঙ্গোইবা য়াওদবা, নুংঙাইবা অমসুং সেন্স ওফ কমফোর্ট ফাওবা, ফ্রী ওইবা ইনভাইরনমেন্ট থেংনৈ। লোলগী অৱাবা থেংনদে, মরমদি অয়াম্বা মীওইনা ইংরাজি ঙাঙই অমসুং মফম অয়াম্বদা ইন্দিয়নশিং য়াম্না লৈরম্বা থেংনৈ। মফম কয়াদা ঐখোয়গা থেংনরুবা ওষ্ট্রেলিয়াদা খুন্দাদুনা লৈরম্বা মীওই কয়ানা ঐখোয়বু তরাম্না ওকপা অমদি পীজ-পীথক তৌবা, চাক্কী চেবাউ পীরকপা য়াম্না তোয়না থেংনরকই। মেলবোর্ন য়ৌরবদি টুরিষ্টশিংগী তঙাইফদনা থেংনগদবা মফম অমদি সহর অসিদগী কিলোমিটর ১০০ রোম চৎলগা লৈবা ফিলিপ আইলেন্দনি। মসিদা পোঙ্গুইন হায়না কৌবা উচেক মখল অমগী লৈফমনি। করম তৌনা উচেক মখল অসিনা মফমসিদা হিংদুনা অমদি মখোয়গী হেবিটেট ওইনা চাদা নাওদাদুনা লৈরিবনো হায়বসি নৈনবগী তঙাইফদবা লৈ। মালেমগী লমকোয়বা মীপূম খুদিং ওষ্ট্রেলিয়াদা লাক্লবদি মেলবোর্ন য়ৌরকপা অমসুং ফিলিপ আইলেন্দা লাক্তুনা 'পেঙ্গুইন পেরেদ' য়েংবা হায়বসি তঙাইফদবা ৱাফম অমনি। ঐহাক্না নুমিৎ নীনিদংগী প্রোগ্রাম অমা মেলবোর্নদা লৈদুনা য়েংলকপদা পেঙ্গুইন পেরেদ য়েংলুবগী পাউদম ওইনা শৈরেং অমা ইজখি। মদু মতাং অসিদা অমুক হন্না থমজরি।

"পেঙ্গুইন পেরেদ"

মেলবোর্ন কৌবা সহরসে ভিক্টোরিয়া ষ্টেটকী কোনুংনি ওষ্ট্রেলিয়া লৈবাক্কী।
নুংঙাইবগী ঙমখৈ লৈত্রবা শান্তি লৈবা মফমনি,
মহৌশা লাইরেন্বীবু ঙাকপদা মমিং চৎল সহরনি।
খা পাংনা চৎলগা তাল্লা ঈথৎ অমা,
ফিলিপ আইলেন্দ কৌবদা, প্রকৃতিগা খূৎশেমগা পুল্লমই,
মিৎয়েংফমনি তাইবঙগী নোংমা কাংদনা তিল্লিবা
মীওই লিশীং কয়াগী, অকক্লবা পুংফমনি,
নুমিদাংৱাই তাঞ্জানি নুমিৎনা ময়ূম চঙখিবা,
অমম্বা কৌবী লাইরেন্বীনা তাইবঙ শুম্বা লাক্লমদাই,
নংহৌররোই মতাগুম যাত্রিক পূম্বা হোৎচিন্নে;
ওন্থোক্লসু য়ামইদা, বর খুরুম্বা চৎকুমই,
চিঙ্গোই বারুনি কাগুমই, লৈশা পাখঙ কয়ানি
ছাত্র-ছাত্রি খিবিক্লি, হনু'হনা খাক্তনা,
মথং মথং লাক্লরি।
চীংমাই থন্না চোল্লেদো, মী ঙাক্তা ঙাইরেদো,
তূমিন তূমিন লৈনৈদো, সমুদ্র মায়কৈ য়েংনৈদো,
চীংথক্তে মৈঙাল পীরিদো, মীয়াম উনবা শিল্লিদো।
ঈথক্কী ঈরাওখোল নত্তনা খোঞ্জল 'মতা তাদেদো,
ঙাক শেল্লি কাঙবুনা চেকশিন্নবু য়েংলিদো,
নিল খোংবা য়াহন্দে মঙাল থোকপা পায়হন্দে,
ঈনুং শোরা তৈরকপা নৌরিবা মচা কয়াবু
পুকমেন পাউমেন্নরগা চীংমায়দা হুৎতুনা শারিবা
মকোন্দুগী থোরক্লি সমুদ্র তম্না কুমথরি
ঈরোন্নুংদা লুপ্তুনা মচিঞ্জাক থিবা চৎনরি।
মমশিল্লকপা তাঞ্জাদা পুংফম ইকায় কায়দনা
ময়ূম মায়কৈ পাংলকপা ঈপাক থক্তা উদেদো,
ঈরোন্নুংদৈ ফাওগৎলকই ঈথক ঈপোমগা লোয়ননা,
ঈথক্তুনা হন্থরকপদা লৈমায়দা কুন্দুনা লৈহৌই,
শঙ্গু-শঙ্গু নাইদুনা।
ঙাইহাক ৱারুবৈ পোত্থাবা, মিকুপ খরদং লৈরম্বা,
হৌগৎতুনা চৎনরি, চীংমাই তম্না কাখৎলকই,
য়েংলিবা মীয়াম পূম্নমক নুংঙাইবা মথি ফোংদোক্লি
হৌগৎতুনা য়েংনরি, পেঙ্গুইন কৌবা চেক্লাসে
মসা পাল্লসু পাইঙমদে, ঈরোন্নুংদা সমুদ্রগী
চাক্তাজবী চেক্লানি, নুমিৎ চূপ্পা চৎলুবা
চাক্তারুবৈ হল্লকপা, লেল্লে ঙাবু ফারকই,
খৌবুম থন্না পুরকই, মচাশিংগী খাক্লকই।
পরেং নাইনা কারকপা চীংলেম্বা শাজৎনি
কনানবু তম্বীবা?
মতৌ অসিবু উরগা অয়েংবশিংনা পেন্নরি
"পেঙ্গুইন পেরেদ" কৌনরি।

নুংঙাইরবা খোঙচৎ অমনি, পেঙ্গুইন পেরেদ য়েংলুবা, মহৌশা লাইরেন্বীগী খূৎশেম কয়াদা পূক্লিং হুরিবা? চাওরবা অমদি শাংলবা চীংশাং পরেং, শঙলবা লৌবুক লম্ফাং, শজিক চারিবা জীবশিং য়েংবৈ পেন্নাইদে, পূক্লিং হুরবা দৃশ্যসে।

খোঙচৎ অসিদা উরকখিবা শক্তম খরসু পঞ্জনীংই - "কোলা বিয়ার অমসুং নাশিক্কী জঙ্গল"। নাশিক - উ মখল অসি ঐখোয়না থোইদোক্না পাম্নরুদে। অদুবু ওষ্ট্রেলিয়াদদি মসি নেসনল ত্রীনি - জাতিগী উপালনি। নাশিক মখল ৬০০ হেন্না হৌরি ওষ্ট্রেলিয়াগী মফম কয়াদা, নাশিক মনা চাদুনা অমসুং উ পাম্বীসিদা তোংদুনা হিংজবা শওম মখল অমনি 'কোলা বিয়ার' হায়রিবা জীব অসি। মখোয় অয়ূক নুংথিলদা উথক্তা তূমদুনা লৈ অদুগা নুমিদাংদা চাক্তাই অমসুং মখল মখাগী এক্টিভিটিশিং অহিংদা ওইনা পাঙথোকই। কোলা বিয়ারগী মউনসিনা নিংথমথাগী অরুম্বা ফিরোল শানৈ অমসুং য়াম্না তাঙনা য়োন্নে।

ঐহাক্না মেলবোর্নদা লৈরিঙৈদা উননীংবা মীশক অমদি ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্টতা মণিপুরদা লাক্লম্বা শান্নরোয় ওষ্ট্রেলিয়াগী পোলো টিমগী মেম্বর খরনি। মরু ওইনা মহাক্কী লোয়নবী (মহাকসু পোলো শান্নবীনি) মিষ্টর নিক অমসুং মিসেস চেরিনি। মখোয়দি সাউথ ওষ্ট্রেলিয়াগী এদেলেদ সহরদগী অমুকসু পুং ২ কারনা চৎলগা লৈবা বঙ্গল রেঞ্জ ফার্ম চীংশাং পরেং অমগী নাপোমদা লৈরমই। মখোয় মচা অনীগা মতৈ মনাও অনীতগা চীংথক্তা শাবা য়ূম অমদা লৈরমই। ঐহাক্না চৎপা মতমদু ইন্দিয়াদা কালেন থানি অদুবু ওষ্ট্রেলিয়াদদি নিংথম থানি। অদুনা নুমিদাংদা মখোয়গী য়ূম য়ৌবা মতমদদি য়াম্না ঈংলমই। নুমিদাং অদু কঙ্গারু থোংবা পীজৈ মরমদি কঙ্গারু অসি লৈবাক অসিগীদি নেসনল এনিমেলনি অদুগা ঐখোয়না পাক ফংগদবা মীট নত্তে। মরম অদুনা কঙ্গারু মহাও তংহনবনি হায়রকখি।

নোংঙাল্লগা ব্রেকফাষ্ট চারবা মতুংদা মহাক্কী ত্রেক্টর থৌদোক্লগা ঐখোয় অনী মখোয়গী ষণগী ফার্ম অমা য়েংবা চৎলি। মদু বিফ কেটল (Beef Cattle) নি হায়বদি ষণশা চানবা লোয়বা ষণশিংনি। মথংদা শঙ্গোম থোকপী ষণবী (Dairy Farm) অমসুং য়াওগী ফার্ম য়েংলুই, পুন্না মতৈ মনাওগী শা-ষণ লোয়রিবা মফমশিং একর লিশীং তরামুকনি হায়। অয়ূক পুং ৮দগী চৎপদুনা নুমিদাং পুং ৮ অদুৱাইদা হল্লকপনি। অদুগা নুমিদাং পুং ১০.৩০ অদুৱাইদা মহাক্কী নুপীসু য়াওনা নুমিদাংগী চাকলেন চাবা ভিলা রেষ্টুরেন্ট অমদা চৎলি। মফম অদুদা মখোয়না ইনভাইট তৌরুবা পোলো শান্নবা মরুপ মপাং পূন্না মখোয় ১৫/১৬ ঙাইদুনা লৈরমই। ঐখোয় শক্তাক্নরগা রেষ্টুরেন্ট মনুংদা চাক চানবা থৌরাং তৌখি। নুমিদাং পুং ১২ ফাওবা ঐখোয় রেষ্টুরেন্টতা লৈদুনা চামিন থকমিন্নদুনা মণিপুরদা শান্নখিবা ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্টকী ৱারী শানরবা তুংদা মিষ্টর নিক্না ফজরবা খুদোল পুথোরক্তুনা ঐঙোন্দা পীবিখি। অসুম্না হায়রকখি - "ঐখোয়বু মণিপুর প্রজানা ইকায়খুম্ননা ওকপীখিবা অমসুং পোলোনা পুরকখিবা মরুপ মপাং ওইবগী নুংশিনবশিং ঐখোয়না লমন শিংবা ৱাগনি, অদুবু চম্লবা খুদোল খরদং অসিদি লৌশিনবীয়ু" হায়দুনা পীবিরকখি। খুদোলশিং অদু ঐহাক্কী ইমুং মনুংগী ওইনা অঙাংশিংগী য়াওনা কাউনদনবা নীংশিং খুদোল ওইনা পীরকখিবনি।

মথংগী নুমিৎতা এদেলেদতগী সিদনিদা লাকখি। শীংজমৈ লীৱা রোদতগী এয়র ইন্দিয়াদা এয়র হোষ্টেস অমাওইনা থবক তৌরম্বী মেমচা ওষ্ট্রেলিয়ান নুপা অমদা ময়ূম পান্দুনা সিদনিদা লৈরমই। মহাক্কী ফোন ফংদুনা ঐহাক নুমিৎ হুমনি সিদনিদা লৈগদবগী প্লান খঙহনখি। অদুনা মহাক অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা অনীনা এয়রপোর্টতা ঙাইবীরমই অমসুং ঐগী লৈফম মখোয়দা ওইনা শিনবীরমই। ইমুং মনুং ওইনা খন্দুনা লৈমিন্নখিবা নুমিৎ খরনিদু ঙসি ফাওবা কাউঙমদে।

খ্বাইদগী নুংঙাইখিবা ৱাফম অমদি মতমদুদা ম্যান্মারগী মিলিটরি লৈঙাক্তা অৱাবা নংলবা মীয়ামগীদমক ঐহাক্না মতেং খজিক্তং পাংজবগী থৌদোকনি। ম্যান্মারগী ইলেক্সনদা মায়দি পাক্লবা অদুবু লৈঙাক্তি পায়হন্দ্রবা নেসনল লীগ ফোর দেমোক্রেসিগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট, মিষ্টর তিন স্বি, ডাক্টর ব্রিয়ানন্নচিংবা লুচিংবশিং ঐগা ইম্ফাল অমদি দেল্লীদা উনৈ। ঐগী ওষ্ট্রেলিয়াগী খোঙচৎ মখোয় খঙই অদুনা মখোয়গী মতেং অমত্তং পাংবীয়ু হায়দুনা য়ু এনগী সিদনিদা লৈবা রিজনেল ওফিসতা চৎতুনা দরখাষ্ট অমত্তা পীবিয়ু হায়না শিন্নরকখি। মেমচাগী নুপা অদুগী মতেং লৌদুনা ঐহাক য়ু এনগী ওফিসতা চৎতুনা ম্যান্মারিজশিংগী রিক্কেষ্ট অদু খন্নবীনবা তক্লরুই। রিজনেল দাইরেক্টরদু নুপী অমনা ওইরমই, শক তাক্লরে অদুগা ঐগী কন্টেক্ট নম্বরদি সিদনিদা লৈবা মেমচাগী নুপাদুগী ওইনা পীরমই। মথংগী নুমিৎ নীনিশুবদা নুমিদাংৱাই পুং মরি তারকপা অদুৱাইদা ফোন অমা লাকখি, মদু য়ু এনগী ওফিসতগীনি। ফোন অদু মেমচানা ঐঙোন্দা তামোগীনি হায়দুনা পীশিল্লকখি। ঐহাক্না ফোন্দু পায়রে - অসুম্না হায়রকখি "We are pleased to tell you that United Nations organisation has sanctioned scholarships for 100 Myanmarese students" ম্যান্মারিজ মহৈরোয় ১০০গী স্কোলরশিবকী শেনফম য়ু এননা কায়বীরে"। ●

# ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্স মণিপুরদসু লিংগদবনি - ২

- থাংজম রঞ্জিৎ -

লদাককী লেহ অসি য়াম্না ৱাংবা মফম ওইবনা, উন তাই। ষ্টেট অসিগী ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরনমেন্টকী মতেং লৌদুনা আর্মিনা (ঈ টি এফ লিংখৎত্রিঙৈদা) ফুট ৪/৫ ৱাংবা উ চারা লিশীং কয়া থাখি। চহী ১/২ লৈরগা মনা পাকপা পাম্বীশিং অদু ফুট ১০-১২ ৱাংলকপা মতমদা নোং তারক্লমই। উন্দগী ঈশিং উবা নত্তনা নোংদগী ঈশিং উদনা লাকপা লেহদগী মীওইশিং অহানবা নোং তারকপদা মীয়াম থোরক্তুনা হরাওনখি, য়েংনখি, পুমলাং লাংনখি হায়বগী রিপোর্ট লৈ।

রাজস্থানদা লৈবা থার মরুভুমী অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈবা লমদমশিংদসু চিঙ্গোংলৈ (একাসিয়া) কয়া আর্মিনা থাদুনা নোং তাহনখি। চিঙ্গোংলৈ থানবগীদমক্তা সিফাইশিংনা লম্বী নাক য়েৎতা ঈশিং টেঙ্কি মশীং থিঙমদনা থমদুনা চিঙ্গোংলৈ ঈশিং চাইহনখি অমসুং মমৈদা ফুট ১০-১২ ৱাংলক্লবা মতমদা অহানবা ওইনা মরুভুমীদা নোং তারকখি; মসি ১৯৮০গী অঙনবা শরুক্তনি।

**অসামগী ঈ টি এফ অনীগী মায় পাকপগী ৱারীশিং :** অসামদা লিংখৎখিবা ১৩৪ ইনফেন্টরি বট্টালিয়ন (টি এ) ঈ টি এফ অসিনা সোনিটপুর দিষ্ট্রিক্টতা উমং কোকথোকখ্রবা মফমশিংদা উ পাম্বীশিং থাজিন্দুনা অশং অমান্না থনবা অচৌবা মশক নাইবা থবক অমা পাঙথোকখি। ঈ টি এফ অসিনা চহী ১০গী মতমদা হায়বদি কুমজা ২০১৮ ফাওবদা উ পাম্বী মখল মখা কয়া পূন্না লাখ ৬০ থাবা ঙমখি। চহী খুদিংগী উ পাম্বী লাখ ৭/৭ থাবগী প্রোগ্রাম থমদুনা পাঙথোকই। অসামদা থবক তৌরিবা ঈ টি এফ অনীগী মমিংশিংদি : (ক) ইষ্টর্ন প্লান্টর্স (খ) গ্রীন রাইনো।

**(ক) ইষ্টর্ন প্লান্টর্স ১৩৪ ঈ টি এফ অসিনা পাঙথোকখিবা মায় পাকপা খরদি :** ১) উ থারিবা মফম অদুগী অকোয়বদা হৌরিবা উ-ৱাশিং য়াম্থৎপা মপূং ফানা থিংবা ঙমখিবা। (২) উ-ৱা লোন্না য়ান্দুনা করবার তৌবা থিংবা ঙমখিবা। (৩) মফম অদুগী মীওইশিংগী ৱাখলদা উমংশিং শেমগৎপা ঙমগনি থাজরকপা। (৪) পাম্বী চারা শেম্বা অমসুং মরূ হুনবদা মায় পাক্লকপা।

**(খ) গ্রীন রাইনো ১৩৫ ঈ টি এফকী মায় পাকখিবা খরদি :** (১) 'মাই আর্থ, মাই দ্যুটি' হায়বা উ পাম্বী থাবগী কেম্পেন অমা স্কুল, কোলেজশিংদা হৌদোক্তুনা/চত্থদুনা ইকোলোজি অমসুং ইনভাইরনমেন্টকী মরমদা ৱাখল লৌশিং শন্দোকপা ঙম্বা (২) ১৩৫ ঈ টি এফ অমদি ষ্টেট ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টগা পূন্দুনা ৱাইল্ড লাইফ ৱীক চহী খুদিংগী পাঙথোকপা ঙম্বা। (৩) শা তানবা অমসুং জঙ্গল কোকথোকপা অমসুং মরম চাদনা উ য়ানবা থিংবা ঙম্বা অমসুং চহী ১০দা উ চারা লাখ ৬০ থাবা ঙম্বা। (৪) গ্রীন রাইনো (ঈ টি এফ) অসিগী য়াম্না চাউথোকনিংঙাই ওইবদি হৌখিবা কুমজা ২০১২দা পুং অমদা উ পাম্বী চারা ৪০,৮৮৫ থাদুনা গিনিস বুক ওফ ৱর্ল্ড রেকোর্ড চনবা ঙমখিবা অসিনি।

**ইন্দিয়াদা হৌজিক ওইরিবা ঈ টি এফকী থবক :** হৌজিক ইন্দিয়াদা ইনফেন্টরি বট্টালিয়ন ৯ লৈ অমদি মসিগী ওপরেসনেল কম্পনি উ থানবগীদমক ২২ লৈ। মখোয়শিং অসিনা উমং কোকথোকখ্রবা মফমশিং নৌনা উ থাদুনা উমং শেমগৎপা, উমং লৈশিল্লক্তুবা/কোকথোক্লিবা মফমশিং উমং শেমগৎপা, উ-ৱা হৌদবা মফমশিং নৌনা উমং শেমগৎপা মরু ওইনা মাইনিং তৌখ্রবা মফমশিং, ৱেষ্ট লেন্দশিংনচিংবা রাজস্থান, য়ু পি, উত্তরখণ্ড, হিমাচল প্রদেশ, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, মহারাষ্ট্র, লাদাক, দেল্লী অমসুং অসামগী মফমশিংদা ঈ টি এফশিং লিংখৎতুনা উমং শেমগৎপগী, য়োকখৎপগী থবক টেরিটোরিএল আর্মি (টি এ) শিংনা তৌরি।

হানবা ঈ টি এফ (টি এ) অসি ১২৭ ইনফেন্টরি গরৱাল রাইফলসনা ১৯৮২গী সেপ্টেম্বর থাদা এপ্রুভ তৌরগা ১৯৮৩দা থবক তৌবা হৌখি। অনীশুবা ১২৮ ঈ টি এফনা ১৯৮৩ রাজস্থান্দা, তশুবনা ১৯৮৮, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, মথং মথং লাকপনা অসামগী ঈ টি এফ অনী, ১৩৪ ইষ্টর্ন প্লান্টর্স এন্দ ১৩৫ গ্রীন রাইনো, ২০০৮দা লিংখৎখি।

**ঈ টি এফ খরগী মায় পাকপা ৱারীশিং :** হৌজিক ফাওবগী লইনা ২০২০ ফাওবদা ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্সনা উ চারা ক্রোর ৬ লাখ ৮৮ থাদুনা হেক্টর ৭২,৭৪১ কোভর তৌখ্রে অমদি ঈ টি এফকী য়ুনিটশিং ষ্টেয অমসুং নেসনগী থাক্তা মায় পাক্লা উ-ৱা থাদুনা উমং শেমগৎপগী মনা মথুম কয়া ফংহনখ্রে।

মায় পাকপগী ৱারী অমা হায়বা তারবদা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স ওন গ্লোবেল ৱার্মিং এন্দ ইথনিক ক্লাসকী মীফম অহমেদবাদতা ফেব্রুৱারী ২৮, ২০০৮দা মায় পাক্লা পাঙথোকখিবা অমসুং মসিদা মপানগী দেলিগেটশিং - এসিয়া, য়ুরোপ, অমেরিকা অমসুং অরব লৈবাকশিংদগী য়াওখিবদা নত্তনা লৈবাক অসিগী রিটাইয়র্দ তৌবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ, ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মেম্বরশিং, সেদ্যুল্দ ত্রাইব, সেদ্যুল্দ কাষ্ট অমসুং মাইনোরিটি কম্মিসনগী দেলিগেটশিং য়াওখিবা অসিনি। মরু ওইনা মণিপুরদগী আর এস রাজকুমার, হান্নগী ওনরেবল মেম্বর ওফ মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা দেলিগেট অমা ওইবতা নত্তনা রিসোর্স পর্সন ওইনা য়াওখি লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লেকচর প্রোগ্রাম তৌবা ক্রুসেদর/এম্বেসেদর ওফ গ্রীন রেভল্যুসন অমা ওইনা উদয়পুরদা মার্চ ১-২, ২০০৮; কোলাকটাদা মার্চ ৩, ২০০৮; গুৱাহাটিদা মার্চ ৫, ২০০৮ মতং মথং ওইনা চৎখি।

**মণিপুরদা ঈ টি এফ লিংখৎপগী তঙাইফদবা ওইরকপা :** মণিপুর ষ্টেটকীসু ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্স অমা লিংখৎপা য়াম্না তঙাইফদবরা হায়জনীংই। মরমদি হৌখিবা চহী ১০-২০ অসি ক্লাইমেট অমসুং ইনভাইরনমেন্টদা য়াম্না অওনবা লাকখ্রে অমসুং মীয়াম্না মসিগী চৈথেংসু ফংখ্রে অমসুং হেন্নসু ফংবসু য়ারি। মসিগী মরু ওইবা মরমশিংদি সিফটিং নৎত্রগা ঝুম কল্টিভেসন/পাল্লৌ তৌনবগী লম চাওনা চাওনা জঙ্গল কোকথোক্তুনা, পোপী, গঞ্জা, ফৌ, মনা-মশিং, কেসক্রোপশিং থানবা শেম শাবা তৌবদগী অশং অমান্তনা থল্লবা চীংগী উমংশিং, জঙ্গলশিং লৈরক্তবদগী/হন্থরকপদগী তুরেলশিং ঈশিং মবুক থন্না চেল্লক্তবা, চহীগী নোং তাবগী চাং হন্থখিবা, ঈশিং-ঈচাও থোরক্তবা, নোং তাবা মতমদা অতেনবা মতমদা কন্না তাবা, নোং কুইনা শাংনা তাদবা, লৈবাক লৈহাও কিন্থবা/নিংখায়হনবা (লেন্দস্লাইদ থোকহনবা), লৈখোম লৈনাং চেন্থহনবা (গোপিবুং ২০০৪, তুজাং ২০২১ অসিনচিংবা পনবা য়াই)।

মহৌশাগী লমগী অনেম অৱাং, মওং মতৌ অমসুং ঈশিং লৈবগী মওং মতৌ (জিওমোরফোলোজিকেল এন্দ হায়দ্রোজিওলোজিকেল কন্দিসন) গী মতুংইন্না মণিপুর অসি চীং লৈবাক অমনি অদুগা ময়ায়দা লৈতেম মান্নবা তম্পাক লৈবা (ইন্টরমোনটেন ভেল্লি) লমদম অমনি। তম্পাক্কী অৱাংবসি মিটর ৭৪৬-৮৫ (এম এস এল) ৱাংই। মফম অসিগী অনেম অৱাংগী মতুংইন্না নোংগী ঈশিং/মোনসুনগী নোং অসি নিংথিনা লোকপা (হার্বেষ্ট) তাবা ঙমদ্রবদি মণিপুর মতম খরগী মনুংদা ঈশিংগী অচৌবা অৱাবা মায়োক্লগনি অমসুং য়াম্না কংবা ঈশিং তাঙবা মফম ওইদুনা হিংবদা নুংঙাইতবা মফম ওইরক্কনি। ঈশিংগী চাং অসি চহী খুদিংগী লেপ্তুনা নোং তাবগী চাং ৱাৎপদগী হায়বদি উমং লৈরক্তবদগী মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা তপ্না তপ্না অকংবা মফম ওইরক্লি। মণিপুরদা লৈরম্বা পাৎ কয়া কংখ্রিবা অসিনা ময়েক লারবা খুদমনি, পূম্নমক্না খঙনরবনি। ঐখোয়না উমং য়োকখৎপা ঙম্লবদি, ঈশিং মরাং কায়না ফংবা ঙমগনি অমসুং ঐখোয়গী চাথোক পোত্থোকসু পুথোকপা ঙমগনি। মণিপুরগী চীংগী শরুক শেমগৎতুনা চহী খুদিংগী মরাং কায়না তারিবা মোনসুনগী নোং অসি লোক্লবা তৌগদবনি। অশং অমান্তনা থনবা চীংগী শরুক ওইহন্নবগীদমক ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্স অমা লিংদুনা অথুবদা উ থাদুনা থবক পায়খৎহনবা য়াম্না মথৌ তারে। ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মণিপুর লৈঙাক্না থিন্থবা তৌদনা মসি এস ও এস কোলনি হায়না লৌবীদুনা অথুবদা থবক পায়খৎপীগদবনি। ঈ টি এফ লিংবনা মণিপুর অসি হান্নগুম অশং অমান্তনা থনবা চীংগী লম অমুক হঞ্জিনহনবা ঙমগনি অমদি ইকোলোজিকেল বেলেন্স কায়হন্দনা থম্বা ঙমগনি।

**ঈ টি এফ লিংবনা কানবা পীগদবশিং খরদি :** ১) ঈ টি এফনা উ-ৱা থাবগী থবক চত্থরিঙৈদা মফম অদু চেকশিনবা মফম ওইদুনা মখা তানা জঙ্গল কোকথোকপগী থবক তৌবা ঙম্লোই, থিংগনি। (২) মীতোপশিংনা নারোন্দা চঙলক্লগা খুন্দা লৈতাবা ঙম্লোই অমদি চীংমীশিংগী শেল থুমগী ফীভমদা চাউনা অফবা অহোংবা লৈহনগনি। (৩) শেল হেন্না ফংগদবা, হকচাংদা কানবা হীদাক পাম্বীশিং থাদুনা চীংমীশিংগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমনি অমসুং আইন্না য়াদবা মওংদা পোপি, গঞ্জানচিংবা থাবগী থবকশিং তৌদুনা জঙ্গল য়াম্না কোকথোকপগী মরম মতম শাংনদগী লৈরক্লিবা, চাং ৱাংনা লৈবাক লৈহাও মাঙহল্লিবা/চেন্থহল্লিবা, শা-উচেক মশীং হন্থরক্লিবা, মরম চাদনা উ য়ান্থলিবশিং, লাম্মৈ থারিবশিংনচিংবা থিংবা ঙমগনি। (৪) করিগুম্বা ঈ টি এফ অসি লিংখৎলবদি, মণিপুরদা চহী অমদা উ পাম্বী মশীং লাখ ৪-৫দি লায়না (অসামদা লাখ ৭ থাবদা) থাবা ঙমগনি। (৫) মণিপুর অসি চহী খরগী মনুংদা অশং অমান্তনা থনবা মফম ওইরক্তুনা মমাঙঙৈগী ফজরবা, অঙৈং অশাগী নুংঙাইরবা মফম অমুক হঞ্জিল্লকপা ঙম্বতা নত্তনা কুম কাংবা, ঈশিং-ঈচাওনচিংবা তোয়না থোক্তবা লমদম অমা ওইবা ঙমগনি। হান্না লৈজরম্বা মহৌশাগী লম্লক্কী শা-ঙাশিং, উচেক-ৱায়াশিং, পাম্বী মখলশিংনচিংবসু উবা ফংলক্কনি লোয়ননা চীং নিংখায়বা (লেন্দস্লাইদ), লৈখোম-লৈনাং চেন্থবসু থিংবা ঙম্লক্কনি।

**ঈ টি এফতা থবক চংবা য়াবগী ফীভমশিং :** (১) মহাক অদু ইন্দিয়া মচা (নুপা) ওইগদবনি। (২) চহী ১৯দগী ৪২/৪৫ ওইগদবনি। (৩) মহৈগী থাক গ্রেজুয়েট ওইগদবনি। (৪) তোলোপতি রেগুলর আর্মিগা মান্ননা ফংগনি। (৫) অৱাংবদি সেন্টিমিটর ১৬০ ওইগদবনি। (৬) হকচাংগী ফীভমদি পূক্লিং-ৱাখল অমসুং হকচাং ফবা ওইগদবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৈবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।